CS (Main) Exam :,2014

**C-DRN-N-L-OBOA**

# MANIPURI

## Paper I

**( LITERATURE )**

| *Time allowed : **Three** Hours* | *Maximum Marks : **250*** |
|---|---|

---

### QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

***Please read each of the following instructions carefully before attempting questions :***

*There are **EIGHT** questions divided in **TWO SECTIONS**.*

*Candidate has to attempt **FIVE** questions in all.*

*Questions no. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, **THREE** are to be attempted choosing at least **ONE** from each section.*

*The number of marks carried by a question / part is indicated against it.*

*Answers must be written in **MANIPURI**.*

*Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.*

*Attempts of questions shall be counted in chronological order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.*

---

## SECTION A

**Q1.** মখাগী ৱাহং খুদিংমক খুমগদবনি, অমমমদা ৱাহৈ 150 দগী হেন্দনা খুম্মু : *10×5=50*

(a) মণিপুরী লোন্দা তোনগী মশকশিং তাক্তুনা লোন অসিদা মসিগী মরু ওইবা মতৌ খূদম পীদুনা নৈনৌ । *10*

(b) কন্সোনেন্ট ক্লস্টরগী মশক তাকপগা লোয়ননা মণিপুরী লোন্দা চৎনরিবা কন্সোনেন্ট ক্লস্টরশিংগী লৈফমশিং খূদম পীদুনা তাকউ । *10*

(c) মণিপুরী ৱাহৈপরেংশিংদা ৱাহৈশিংগী মপূং ওইনা চৎনবা মথং-মনাওগী মরমদা খূদম পীদুনা ইয়ু । *10*

(d) মণিপুরীদা ফংবা কেস মার্করশিং অমসুং মখোয়গী তোপতোপ্পা শাজৎশিং খূদম পীদুনা খণ্ডহল্লু । *10*

(e) মণিপুরী লোনগী ৱাহৈ পরেং শেমগৎপগী কাঙলোন্দা মখা পোনবা ক্লোজশিংগী মশকশিং খূদমগা কোন্ননা তাকউ । *10*

**Q2.** (a) তিবেতো-বর্মন লোন কাঙলুপকী শাজৎশিংগা মণিপুরী লোনগীগা মান্নবশিং তাক্তুনা মণিপুরী লোন-গী থোইদোকপা শাজৎশিং খূদমশিংনা শৌগত্তুনা ইয়ু । *20*

(b) মণিপুরী লোন্দা সিলেবলগী কায়াৎশিং মতৌ করম্না শাগৎপগে অমদি সিলেবলগী য়ুনিটশিংনা ৱাহৈ অমদা করম্বা শকওংদা লৈবগে হায়বদু খূদমশিংগা লোয়ননা ইয়ু । *15*

(c) মণিপুরী লোন্দা ক্লোজ মখল কয়ালৈবগে ? মখলশিং অদু খূদম পীদুনা তাকউ । *15*

**Q3.** (a) মণিপুরী লোন্দা ভাৱেল খোন্থোকশিং হায়দোকপগী মশক-মওং তাকপগা লোয়ননা ৱাহৈদা খোন্থোকশিং অসিগী লৈফমশিং খূদম পীদুনা তাকউ । *20*

(b) ভর্বেল সফিক্স হায়বসি করিনো ? মসিগী মখল নিপালগী মরমদা খূদম পীদুনা নৈনৌ । *15*

(c) মণিপুরীদা অহংবা খণ্ডনবা ৱাহৈপরেং করম্না শেম্বগে ? খূদম পীদুনা ইয়ু । *15*

**Q4.** (a) এন্দোসেন্ত্রিক কম্পাউন্দগী মশক তাকপগা লোয়ননা মণিপুরী লোন্দা ফংবা মসিগী তোঙান-তোঙানবা মখলশিং খূদমগা লোয়ননা নৈনৌ । 20

(b) মণিপুরী লোন্দা শীজিন্নরিবা মশীং খঙনবা ৰাহৈশিংগী মশক অমসুং মখলশিংগী মরমদা খূদমগা কোন্ননা ইয়ু । 15

(c) লমদমসিদা হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরী (মৈতৈ) ময়েক চাওখৎহন্নবা করম্বা থৌরাং পায়খৎলিবগে হায়বদু ইরকউ । 15

## SECTION B

**Q5.** মখাগী ৱাহং খুদিংমক খুমগদবনি, অমমমদা ৱাহৈ 150 দগী হেন্দনা ইয়ু : *10×5=50*

(a) অরিবা মতমগী মণিপুরী সমাজ অমদি নাৎ মশক তাকপদা 'তুতেংলোন' লাইরিক্লা কদায়ফাওবা মতেং ওইবগে তাকউ । *10*

(b) ময়ায়চনবা মণিপুরী সাহিত্যদা মৈতৈ লাইনীংগা মরী লৈনবা লাইরিক অমা ওইনা 'সনামহী লাইকন' গী মশক তাকউ । *10*

(c) অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচত্তা কবি নীলকান্ত অমসুং কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী খেন্নবা মশকশিং উৎলু । *10*

(d) লেজেন্দ অমসুং ফোক-টেলগী খেন্নবা মশকশিং খূদম পীদুনা তাকউ । *10*

(e) মৈতৈশিংগী শগোল কাঙজৈ মশান্নদা শাগোন্নরিবা ৱাংঙুরোল (ফিলোসোফী) গী মরমদা ইয়ু । *10*

**Q6.** (a) অরিবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী খূৎই (স্টাইল) গী থোইদোকপা শাজৎশিং করি-করিনো ? মরী লৈনবা খূদম পীদুনা শন্দোক্লা ইয়ু । *20*

(b) অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙগী মণিপুরী সাহিত্যগী সমাজ-গী ওইবা অমদি লোন অমসুং সাহিত্যগী ওইবা যুম্ফমশিং মশক তাকউ । *15*

(c) ময়ায়চনবা মণিপুরী সাহিত্যদা হিন্দু লাইনীংনা করম্বা অহোংবা পীথিবগে ইয়ু । *15*

**Q7.** (a) ফোক বেলেদ হায়রগা করিবু খঙনবগে ? মণিপুরী ফোক বেলেদকী মখলশিংগী মরমদা নৈনৌ । *20*

(b) মণিপুরী সমাজদা মণিপুরী ফোক-সোংশিংনা করি-করম্বা থৌদাংশিং লৌবগে নৈনৌ । *15*

(c) পাউখোং হায়রগা করিবু খঙনবগে ? মণিপুরী পাউখোংশিংদা সমাজসিগী করম্বা মঙাল তাবা উবা ফংবগে ইয়ু । *15*

**Q8.** (a) মণিপুরদা হিন্দু ধর্ম্ম চঙলক্লিঙৈ মমাঙদা লৈরম্বা অরিবা মণিপুরী লাইনীংগী মশক নৈনদুনা শুগায়না খঙহল্লু । *20*

(b) খোঙ-কাঙজৈ-গী হৌরকফম তাকপগা লোয়ননা মশান্ন অসিগী শান্নফম অমসুং শান্নবগী মওং তাকউ । *15*

(c) মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা হৌদোক্লম্বা জগোই রাসশিং অদু করি করিনো ? মহারাসপু অথোইবা রাসনি হায়রিবা করিগীনো ইরকউ । *15*